FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	84.010632
US Dollar	75.727158
British Pound	94.605790
Australian Dollar	48.689998
Chinese Yuan Renminbi	10.725280
Japanese Yen	0.709026
Malaysian Ringgit	17.625368
Singapore Dollar	53.502249
South Korean Won	0.061816
Saudi Arabian Riyal	20.193909
Thai Baht	2.326220
Myanmar Kyat	0.05377
Bangladesh Taka	0.89169

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45553.00
Mumbai	–	Rs	45838.00
Delhi	–	Rs	45769.00
Kolkata	–	Rs	43465.00

GAS NEWS

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 04/03/2020
Valid From: 13/02/2020
Only Home Delivery
For Delivery Please Contact:
7085738631/8119967523
Timing: 8 am – 4 pm
HRANGCHAL GAS,
OLD LAMBULANE
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 16/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE>
03852444677 <SPACE>
Consumer No.
Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
(Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon
HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto: 19/01/2020
Valid From: 16/01/2020
Contact Nos.:
7085412118/7085411559
Timing: 07.30 am-10.30 am
IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No.– 16865
5 Kg Available
Booking Upto: 27/02/2020
Valid From: 13/02/2020
Timing: 08.00 onward
Home delivery Only
Contact: 6009392991
JEMON GAS,
CHINGAMATHAK
Booking Upto: 19/01/2020
Valid From: 03/01/2019
Timing: 07.00 am – 11.00 am
Home Delivery
Contact No.: Only SMS & Whatsapp
7630076597/9436039984
K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 13/02/2020
Timing: 07.30 am - 11.00 am
For telephonic Gas booking
call or whatsapp to
8794267533/8729879017
Timing: 08.00 am-12.00 Noon
LEIBAKLEI GAS, KAKCHING
Booking Upto: 16/01/2020
Valid From: 08/01/2020
Stk: 612
Home Delivery Only
Contact. 9862836403,
8415050488, 9366075820
MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582,
7005728461
Contact Timing:
07.30 am -11.00 am
MAHALAKSMI INDANE
Booking Upto: 21/02/2020
Valid From: 09/02/2020
Only Home Delivery
Contact Timing:
10.00 am-12.00noon
Contact Nos.
9862312969/8414929709
MAIBIA GAS, MOIRANG
Booking Upto: 10/02/2020
Valid From: 06/02/2020
Stk: 612
Home Delivery Only
Timing: 07.30 am-11.00am
Contact Nos.
1) Dilip- 6909152567,
9612883295 (Moirang A/C),
2) Ajay- 7005667570 (Thanga A/C, 3) Rojen- 8787381746 (Kumbi A/C)
POROMPAT INDANE GAS
Booking Upto: 01/02/2020
Valid From: 22/01/2020
All Customer will get
Home Delivery
Queries: 9366184547, Call
Timing: 08.00 am-11.30 am
RBD INDANE GAS
Booking Upto: 17/02/2020
Valid From: 05/01/2020
Stk: 412
All Customers are Home Delivery
Working hours: Timing:07.30 am-12.00 noon
Contact No. for Refill order & Enquiry only
7629947172
Contact No.for Booking only-
7629947182
TDK, SEKMAI
Booking Upto: 06/02/2020
Valid From: 05/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8837269355, 6909614353
SANTHEL BAZAR INDANE
GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 15/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Stk: 306
Timing: 07.00 am - 10.00 am
Home Delivery date 04/05/2020
Contact Nos.
7005695308/6009772483
HIYANGTHANG INDANE
Sl. No.: 81 – 150
Booking Upto: 07/02/2020
Home Delivery Nos.
6009260971/6381538861
Timing: 07.30 am - 10.00 am
KHUMBONG INDANE
Sl. No. : 900
Booking Upto: 19/02/2020
Home Delivery only
Contact Nos.
7005771527/9774679422
Timing: 07.30 am-10.00 am

এমসু মঙাল টাস্ক ফোর্সনা দোলাং চিরু খুনদা চান-থক্লবা পোৎচৈ মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) মঙাল টাস্ক ফোর্সনা দোলাং চিরু খুনদা পোৎচৈ মতেং পাংখ্রে হায়না এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লুনপাউ লুফেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন চথুরকপনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংলক্তবগী অৱাবা মায়োক্লরি। এমসুগী মঙাল টাস্ক ফোর্সনা অঙম্বা পোৎলমশিং তেংবাংলকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫৫ রোম চৎলগা লৈবা দোলাং চিরু ভিলেজদা চানবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

ভিলেজ ওথোরিটিনা ফোঙদোরকপদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন চথুরকপনা পোৎলমশিং ফংলক্তবগী খুঞ্জাশিং য়াম্না ৱানরে। লৈঙাক্লা অৱাবা তারবা মীয়ামগী য়েংলগা পোৎলমশিং পীরক্লবদি খুঞ্জাশিংগী অৱাবা খরদি হন্থগনি। খুন অসিগী পীরক্লিবা চেঙ অসি খুঞ্জাশিং পুন্নমক য়েন্থোকপদা কেজি ২ দগী হেন্না থুংনদে। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না অৱা-চৈথেং ফংলিবা অসিদা মহৈরোয় লূপ অসিনা ঙমজবা পোৎলমশিং অৱাবা নংলবা মীওই খরদা লেপ্পুনা তেংবাংলি। তেংবাংবা ঙল্লিবসি এমসুবু নুংশিবা কয়া অমদি মহৈরোয় লূপ অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা অমদি লূপ অসিগী মেম্বর কয়ানা শেল অমদি পোৎচৈ মতেং পাংলকপা কয়াগী মতেংনা ঙম্বনি। মখা তানা অৱা-চৈথেং ফংলবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনখিগনি। দোলাং চিরু ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনসু পামদা হৌবা মনা-মশিং কয়া তম্পাক্কী ইচিল-ইনাওশিংদা য়েন্থোক্লবা পীরকখি। চীংগী হৈ-রা পাম্বী কয়াসু তম্পাক্তা থানবা খুদোল তম্লকখি।

দোলাং চিরু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয়শিংদা ওনলাইন ক্লাস অসি চীংগী খুঞ্জাশিংদদি ইন্টর্নেট নীংথিনা ফংদবনা কান্নবা ফংদ্রে। চীংগী মহৈরোয় কয়াদি কান্নবা লৌবা ঙমদনা লৈরিবসি মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোকদাউন মনুংদা থবক শুবা নোম্বা য়াদনা লৈরিবা মতমসিদা ফি লৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চাকহাওগী জি আই রেজিষ্ট্রেসন ফংলকপদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, মিসন, লৌমীশিংবু থাগৎলি : অকোম লূপ

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

চাকহাওগী রেজিষ্ট্রেসন ফংলকপদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, মণিপুর ওর্গানিক মিসন অমদি চাকহাওগী লৌমী পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না অকোম লূপ কংলৈপাক্কী এসিষ্টেন্ট আই পি আর, টি ঐচ বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুর খুন্নাইগী মশাগী ওইবা চীঞ্জাক কয়াগী মনুংদা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা মীগা লাইগা শম্নরম্বা মতমদগী হৌনা লৈরক্লবা চীঞ্জাক চাকহাও অসি মণিপুরগীনি। মণিপুরদগী হৌরকপনি হায়না খঙহল্লিবা লৌমী কয়ানা লেপ্পুনা চাকহাও থারক্তুনা ঙসিদি মালেমগী থাক্তা পুখৎপা ঙম্লে। লৌমী কয়াগী হোৎনমল অমদি চাকহাওগী ভেল্যুদা নত্তনা ইন্টরনেসনল মার্কেটতা চাকহাও হায়বা চীঞ্জাক অসিনা কনবা য়াবা ফিদা অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা কুমজা ২০১৬দা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট লাকপা মতমদা শকখঙলবা ক্রোপ অমা ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিসন ফোর ওর্গানিক এন্দ ভেল্যু চেন দিভলপমেন্টকী ইনভেষ্টমেন্ট মখাদা প্রদ্যুসর কম্পেনি কয়া শেমদুনা চাকহাও থাখি। লৌমী কয়াগী হিংনবা লম্বী অমদি মালেমদা শকখঙলবা ক্রোপ অমা ওইদুনা লাক্লি।

মণিপুরদগী এপ্লাইদ তৌরকখিবা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন কয়া অসি মণিপুরদগী হৌরকপা অমদি শেন্নকপা কয়া অমা মণিপুরগী লৌমী নৎত্রগা লৈঙাক্লা মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদবদগী মপান লমগী কোর্পোরেসন কয়াগী মিংদা লৌখিবসু লৈ। চাকহাওগী মতাং অসিদা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনি কয়া অমদি অকোম লূপ কংলৈপাক্লা পুনশিন্দুনা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রি অমদি মরী লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা ফার্মরশিংদা এপ্লিকান্ট ওইহনবীয়ু হায়না কন্না তকশিনখি। দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা পুন্না ইন্টলেকচ্যুএল প্রোপর্টি রাইটসকী ওফিসতা চৎলুরবা মতুংদা জি আই এপ্লিকেসনগা মরী লৈননা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মতম চানা ইন্টর্ভিন তৌদুনা চাকহাও গ্রোৱরগী ওইবা কন্সোর্টিয়ম ওফ ফার্মর অমা শেন্নবা মতুংদা এপ্লিকান্ট ওইদুনা মণিপুরগী ফার্মরশিংগী ওইনা জি আই এপ্রুভ তৌরকখিবনি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ক্রোপ অসিগী পোটেন্সিএল ইন্টলেকচ্যুএল প্রোপর্টি রাইটসতা রেজিষ্টর তৌদুনা চাকহাও অসি মণিপুরদগী হৌরকপনি হায়বসি খঙহন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং অসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। জি আই রেজিষ্ট্রেসন ফংলবা মতুংদা লৌমীশিংগী ওইবা চাকহাও গ্রোৱরশিংগী ওইনা লাক্কদবা মার্কেটকী খুদোংচাবা কয়া অসি প্রদ্যুসর কম্পেনি কয়া অমদি ইন্দিভিজ্যুএল ফার্মরশিংদা ফংহনবা হায়বসি কন্সোর্টিয়ম ওফ ফার্মরনা লৌগদবা অচৌবা থৌদাং অমনি। লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা চাকহাও অসি মালেমগী মার্কেটতা য়ৌহনবদা মোমা অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌখিবা থৌদাং পুন্নমক অকোম লূপকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লৌমীশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

উজাও উরেন অথোইবা ইপা-ইপুশিংগী শকপানথোংনি, ষ্টেট ট্রী মাঙহন্নবা হোৎনবা চৈরাক পীয়ু : অপাল কংলৈপাক

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

কোংবা মরূ লাইফমলেনদা হৌরিবা লাইওইরবা উনিংথৌ উজাও উরেন অথোইবা মচিন-মনাও অনী অসি চীংমী-তম্মী অনীগী ইপা-ইপুশিংগী শোকফদ্রবা শকপানথোংনি। ষ্টেট ট্রীসু ওইরিবসি মাঙহন্নবা হোৎনবশিং চৈরাক পীয়ু হায়না অমাই পিবা অপুল্লুপ কংলৈপাক (অপাল কংলৈপাক) কী থৌবুরেল অশুপ্পা কোন্সম নোংদম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা হিংদুনা লৈবা ঙমদবগুম ইশাগী থৱায় ওইবা লাইফমশিং মাঙহনখ্রবদি হকচাং ওইবা লমদমসিগী কংলৈচাশিং মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখ্রগনি। লমদমসিদা য়েলহৌমীশিংনা ইনাৎ-লাইনিং চৎচবদা মতিং লৈনা মালেমগী মনুংদা হিংজবা ঙম্নবগীদমক উজাও উরেন অথোইবা অসি ঐখোয় য়েলহৌমী খূদিংমক্লা লাইনিং কাঙলুপকী খেন্নবা থমদনা কনমিন্নসি। উনিংথৌ উজাও অসি ষ্টেট ট্রী ওইবনা মণিপুর লৈঙাক্লসু উপাল অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিং ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীবীয়ু। কোংবা মরূ লাইফম অসি লমদমসিগী লৈশেম্লোনগা মরী লৈনবা লাইফমশিংগী মনুংদা মরুওইবা লাইফম অমনি। মালেম লৈশেম্বা মপু অতিংকোক্লা খোয়ুম লাই কয়া পুথোক্তুনা তেংবাংনবা শেন্নকখিবা অমদি তাইবংপানগী হৌরকফম ঈহৌফমনি।

লাইনিংথৌ সনামহীগী ফম্বাল য়াইনি। মীওইবগী হৌফম, শাৎফমনি। অসিগুম্বা লাইফম অমবু তৎতনা মাঙহন্নবা হোৎনরকপা হায়বসি ইনাৎ-লাইনিংবু মুৎখিনবা অতম্বনা খুৎ থারকপনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। শিবা নাইবা মীওইবনি। লৈবাক অমগী, লাইনিং অমগী মীওই কয়াদা থম্মোয় শোকপা ওইগদবা থবক অসি মতুংদা তৌবীগনু। মালেমদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্লা মাগী মাগী লাইনিং, হৌরকফমবু মাঙহল্লকপদা য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্বা খক লৈরম্লোই। কংলৈচাশিংদি চহী ৩০০ লোম অসি তোঙান তোঙানবা লাইনিংশিংনা খুদুম চনশিন্দুনা থম্লকপদা মোমোন নোক্তুনা খা চিক্তুনা য়েংলগা লৈবা ঙম্বা চীংমী-তম্মী ফুরুপ অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি লন-থুমদা ঙাওহনখিবা, মীচঙ-শঙ্গ নাইবা অঙম-অথৌ কয়ানা মায়কৈ অমদা তোংশিন্দুনা অপীকপশিংবু মাঙহন্নবা হোৎনবা অমদি অকি-অখঙ নংহনবনচিংবদগীনি।

সনামহী লাইনিং চৎপা য়েলহৌমী অমত্তনা অতোপ্পগী লাইনিংগা মরী লৈনবা মাঙহন্নবা খক তৌখিদ্রি। মালেমগী লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা ইনাৎ-লাইনিংগী লাইফম তৎতনা মাঙহন্নবা হোৎনদুনা য়ৈখাই থিনগাইবীরি। লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা নাৎকী লাইফম কয়া মীতোপকী লাইফম ওন্থোক্তুনা লাইশিং লাৎতুনা থম্বীরি। থৌওং অসি অশেংবা লাইনিং লিচৎকী মনুং চন্দবা অমনি। ঐখোয় নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নসি। ফুরুপ অমগী, লাইনিং অমগী লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইফমশিং, পোৎলমশিং অমদি উপাল-ৱাপালশিং মাঙহন্নবা হোৎনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘অৱাই-অখুম তৌরোই’

ইম্ফাল, মে ০৩ : পি এম জি কে এ ৱাইগী স্কিম মখাদা জোতিনগুম্বা বিল্ডিং ৱাংনা শাবা মীওইশিংগী চেঙ পীয়ু হায়বা লৈতে। মহাক্কী ইমুং-মনুংনা ফংলিবা চেঙ অদু লোকদাউনগী অৱাবা উরগা পীখিবনি। চেঙ পীরিবা এম এল এদা ওনশিল্লগা অরানবা পাউ শন্দোকপা মীওইগা অমুক হন্না অৱাই-অখুম তৌরোই হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এগী পি এস, এল পরিজাৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। গুরুদ্বারাদা পীখিবা চেঙ অদু জোতিনগী ইমুং-মনুংনা লৌরিবা চেঙ অদুগা চপ মান্নে। এম এল এবু শৌগৎলিবা মীয়াম্না লুরবা তাঞ্জাসিদা কনাগুম্বা অমত্তগা অৱাই-অখুম তৌদনবা হায়না আপিল তৌরি। লোকদাউননা অৱাবা তারবা মীয়ামগী তেংবাংনবা শেম-শাসি। থাংমৈবন্দ কেন্দ্র রিলিফ কম্মিটিনা গুৱাহাতিদা লৈবা থাংমৈবন্দগী মীওইশিং লৌরুনবা অচঙবা পুম্বা এম এল এনা পুথোক্তুনা বস ঙসি লমথাখ্রে হায়রি।

সী এম রিলিফ ফন্দদা তেংবাংনরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা তেংবাং পীনরক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এন জি মনি কোলেজ খুরাইগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফনা লুপা লিশিং ৫০, ট্রেজরি এন্দ একাউন্ট মণিপুরনা লুপা ২,২৪,৫২৭, এল বসন্তা থৌবালনা লুপা লিশিং ৫০, থৌবাল মোইজিংদগী য়ুনুস সৈখনা লুপা লিশিং ৫০, থৌবাল সাবল তোংবদগী এস রনবিরনা লুপা লিশিং ১০, ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন্না লুপা ৯৫,৯২০, মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ২০, লৌক্রাকপম জোন্সননা লুপা লিশিং ১০, রিটয়ার্দ দিরেক্টর এগ্রিকলচরনা লুপা লিশিং ৫০, কমখ্যা পেমটোন কোলেজ হিয়াংথাংনা লুপা লাখ ১, আর কে শিবচন্দ্রনা লুপা লিশিং ৫০, ডা. রিশিকান্তনা লুপা লিশিং ১০, মণিপুর মোটোর এন্দ ইষ্ট ইন্দিয়া মেছিন কম্পেনিনা লুপা লিশিং ৫০, অন-ইমপ্লোয় লোকল ট্রক ওন্নর এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ৩০, ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন্না লুপা লাখ ১, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না লুপা ৫০,৩০০, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ট্রক ওন্নর এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ৫০, এস দি ইন্দষ্ট্রিজগী প্রোপ্রাইটর দিক বিজয়না লুপা লাখ ১, ওল মণিপুর এসোসিএসন ওফ দেফ এন্দ ম্যুটনা লুপা ১৭,৯০০, প্রজাপিতা ব্রহ্মকুমারী আইশ্বারিয়া বিশ্ব বিদ্যালয়ানা লুপা লাখ ১, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসন্না লুপা লিশিং ৫০, হিন্দুষ্টান কন্সত্রক্সন কোওপরেটিভনা লুপা ১০,০০,০০০, ইরং পার্টৱান ভিলেজ ওথোরিটিনা লুপা ৭১,০০০, মণিপুর ইলেক্ট্রোনিক্স দিভলপমেন্ট কোওপরেসন্না লুপা ১৮,৮৭৩ মতেং পাংলকখি হায়রি।

মরোই নাকুপ্পীশিং লৈবা হৌরে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

মোইরাং কম্পুদা লৈবা ফার্মরশিংনা মতম চঙনা থারকপা মরোই নাকুপ্পীশিং লোকদাউনননা মরম ওইরগা য়োনফম লৈতবদগী খম-থেংনা ৱারিবা অসি খরদং ওইরবসু কোক্লবা কম্যুনিটি এইদ কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯ রিলিফ এইদনা মোইরাং কম্পুদগী মরোই নাকুপ্পীশিং লৈবা হৌরে হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর কে ঐচ লুখোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱেবনা সপোর্ট তৌরগা লিংখৎপা কম্যুনিটি এইদ কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯ রিলিফ এইদকী কনভিনর লুখোইনা লুচিংলগা মরোই নাকুপ্পী লৈবগী কেম্পেয়ন অদু চথুখি। মোইরাং কম্পুদগী লৈরকপা মরোই নাকুপ্পীশিং ইম্ফালগী মরুওইবা পোৎফম মফমশিংদা লেম্মা পীথোকপা অমদি লৈহনবগী থবক চথুখি। কেম্পেয়ন অসি পাউচে অসিদা মোইরাং কম্পুগী মরোই নাকুপ্পীশিং লোকদাউননা মরম ওইরগা য়োনফম লৈতবা অমদি লৈবা লাক্তবদগী খম-থেংনা ৱারে হায়না পাউ য়াওরকখিবা অদুদগী চথবা কেম্পেয়ননি। মীয়াম্নসু মোইরাং কম্পুগী লৌমীশিংনা ৱারিবসি য়েংলগা মরোই নাকুপ্পীশিং লৈবীয়ু। য়োনফম লৈতবদগী লৌমীশিংনা ৱারিবসিদা মতেং ওইনবা মরোই নাকুপ্পী লৈবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

পাউমীশিংদা রিলিফ মেটেরিয়ল...

লামায় ১গী মখা... চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সিটি পুলিস ষ্টেটসনগী ও সী সুধিরনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা দোক্টর, নর্স অমদি পুলিসশিংনা লৌরিবা থৌদাংগুম্না লমদম অসিগী মীদিয়াগী লম্‌দা থবক তৌরিবা পাউমীশিংনসু অহিং-নুমিদাং খাক্তনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ষ্টেট অসিগী এক্টিভ সর্ভিসতা থবক তৌরিবা পুলিসকুম্না লমদম অসিগী পাউমীশিংনসু লৈবাক্কী থৌগল তৌরি। পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লমদম অসিগী পাউমীশিংদা তেংবাং খরদং ওইরবসু পাংনবা হোৎনজবনি হায়খি।

তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট বিজোয় ককচিংতাবম অমদি তেংবাং অসিদা চাউনা মতেং পাংবিরকখিবা খালসা ব্রিগেদ, বিধান চক্রবোরতি অমসুং টপন দাশসু শরুক য়াখি।

মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

ঈপাউ তেংবাং লূপ মণিপুর অমদি সাইনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স, পোরোম্পাৎকা খুৎশম্নদুনা লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক সঞ্জেনবম কম্বোংপুটতা নোংমগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খরিবম সুরেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মেদিকেল কেম্প অসি খুরাই এ সীগী এম এল এ, এল সুসিলদ্রোনা লমথাখি। ইমুং ২০০ রোমদা মেদিকেল কেম্প অসিনা কান্নবা পীখি হায়রি।

‘লন অমা মাঙজবনি’

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

এদভোকেট য়ুম্নাম রোমোলানা লৈখিদবসি কলচরগী লন অমা মাঙজবনি হায়না কলচরেল প্রিজার্ভেসন সেন্টরগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লূপ অসিগী লিগেল এদভাইজর ওইরম্বী কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী এদভোকেট রোমোলানা মমাঙ থাগী ১০দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে। মহাক্না লৈখিদবসি খুন্নাইগী কলচরগী লন অমা মাঙজবনি হায়নসু মখা তারি।

অন্ধ্র প্রদেশতা পন্দুনা লৈরিবা...

লামায় ১গী মখা... অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী পুরকপা অন্ধ্র প্রদেশকী মীওই ১০০ মে ২দগী ক্বারন্টিন তৌদুনা থম্লকপনা পূক্নিংদা মিপাইবা পোকহনবগা লোয়ননা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগীদি মাগী-মাগী ষ্টেট লৈঙাকশিংনা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং লৌথোক্লবা হৌনখ্রে। মণিপুরগীসু লৈঙাক্লা শীন্দুনা গুৱাহাটিদগী মীওই ৮৭ মণিপুরদা পুরকখ্রে তাবদা নুংঙাইবা ফাওই। মতৌ অসিগুম্না অন্ধ্র প্রদেশতা পল্লিবা মীওই ১৭ অসিসু অথুবদা মণিপুরদা হল্লক্লনবা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লি (মসাদ)না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ইখিবা ওপন লেটর অমদা দিল্লি য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লোকদাউনননা মরম ওইরগা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু মণিপুরদা হল্লকহন্ননবা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা মেকানিজম অমা পুথোকপীয়ু হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি। লোকদাউননা মরম ওইরগা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লবতা নৎতনা হীরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্লরিবা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই কয়ানা মণিপুরদা হল্লকহন্ননবা লৌখৎলকপা থৌরাং অদুদা চঙগদবা শেনফম পুন্নমকসু লৈঙাক্লা পুথোকপীয়ু হায়নসু মসাদনা আপিল তৌরক্লি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন চথুখিবা অসিদা খাঙবোক এ সীগী বি জে পিগী ৱার্কর মেঞ্জোর মঙাংনা এ সী অসিগী য়ুমথোঙ ১৭০০ রোমদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে হায়না এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ককী ওফিসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিগী মনুং চন্না খুঙ্গংগী অহল ওইরবা ওইরবীশিংদসু মাস্ক য়েন্থোকখি। কোভিদ-১৯গী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা এৱ্যেরর্নেসসু মেঞ্জোর মঙাংনা পীখি। অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেং পাংবা অসিগীদমক মেঞ্জোর মঙাংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। খাঙবোক এ সীগী য়ুমথোঙ খূদিংদা চানবা য়েন্থোকপা মপুং ফানা লোইশিনখ্রে হায়রি।

মরকসিদা, ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎকী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মৈতৈনা লুচিংদুনা গাড়ী থৌবা ঙমদ্রবা অহল ওইরবা য়ুনিয়নগী পেন্সন্নরশিংদা কোভিদ-১৯না মণিপুরদসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অমদি খুদোংচাদ্রবা অহল-লমনশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখ্রে। মরুওইনা চেঙ, হৱাই, আলু, থাউনচিংবা ময়ুম-য়ুমদা চৎলগা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। মখা তানা পেন্সন্নরশিংগী লৈফম য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা অৱাৎপা পোৎলমশিং ফংহনখিগনি হায়না য়ুনিয়নগী সেক্রেটরিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ৱেবনা সপোর্ট তৌরগা লিংখৎপা কম্যুনিটি এইদ কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯ রিলিফ এইদনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খারম থাদোই খুনদা চান-থক্লবা পোৎলম লেম্না য়েন্থোকখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর খোইস্নাম লুখোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থৌরম অদু লোইরবা তুংদা খুঞ্জাশিংগা অৱা-নুংঙাই ৱারী শানখি। কম্মিটি অসিগী কনভিনরনা ফোঙদোকখিবদা, লূপ অসি কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবশিংদা মতেং পাংনবা লিংখৎখিবা লূপ অমনি। চীংগী ইয়াম্বশিংদা ঙমজবা খুদোল খরা কৎনবা লাকপনি। অচম্বা খুদোল অসিনা চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না ফগৎপা ওইরসনু। লূপ অসিনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা সেক্তর কয়াদা মতেং পাংখ্রে। মখা তানসু মতেং পাংখিগনি। লূপ অসি লৈঙাক্তগী শেন্থং লৌরগা চলাইবা লূপ নত্তে। ৱাখল্লোন মান্নবা কয়া পুনশিল্লগা শেমখিবনি হায়নসু মখা তারি।

লোকদাউন ৩.০ : ঙসিদগী নৌনা চৎনগদবা কাঙলোনশিং...

লামায় ১গী মখা... এফেয়র্সকী গাইদলাইন মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিদা এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর)না অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী পুলিস ওথোরিটিগা পাউ ফাওনদুনা মপানদগী মীওইশিং পুশিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি।

ষ্টেট অসিদা চঙলক্কদবা মীওইশিংনা ঙাক্কদবা কাঙলোনগী মতাংদা ওফিস মেমোরেন্দম অসিনা হায়, তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টতা মমিং-মথা, গাড়ীগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর অমদি থুংলগদবা নুমীৎনচিংবা ৱারোল পুন্নমক মাঙজৌননা পীশিনগদবনি। অহানবদা মীওইশিং অদুনা হৌজিক হৌজিক পন্দুনা লৈরিবা মফম অদুদা রেজিষ্টর তৌরগা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ানবগী ঈ-পাস লৌগদবনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইন মতুংইন্না মণিপুরগীদমক খোঙশাল্লমদাইদা মেদিকেল স্ক্রিনিং তৌগদবনি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা অয়াবা পীরবা মতুংদা খোঙশানবা হৌগদবনি। মাও অমদি জিরিবাম খক্তদা চঙফম ওইহনগনি। য়ারিবমখৈ নুমীৎয়ুংবা মমাঙদা থুংননবা হোৎনগদবনি।

মাও গেট অমদি জিরিবাম গেটতা হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা পেসেঞ্জরশিং স্ক্রিনিং তৌবগা লোয়ননা লায়ওং উৎথোরকপা মীওই থেংনরগদি তোখায়বা গাড়ী অমদা রিমস/জেনিমস ফাওবা পুরক্লগা মখা তাবা টেষ্ট তৌগনি। মপান্দগী চঙলকপা মীওই খূদিংমক শুংশোয় শোয়দনা হোম ক্বারন্টিন তৌবা মথৌ তাই। কনাগুম্বনা হোম ক্বারন্টিনগী কাঙলোন ঙাক্তবা থোক্লবদি আই পি সীগী সেক্সন ১৮৮ অমসুং সেক্সন ২৬৯গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা নুমীৎ ১৪ ইনষ্টিট্যুসনল ক্বারন্টিন তৌগনি হায়রি।

লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু ভাইয়লেট তৌবশিংদগী করম্বা লোগী মখাদা ফাইন...

লামায় ১গী মখা... হায়রগদি মহাক্কী মথক্তা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিং নৎত্রগা ওথোরাইজ তৌরবা ষ্টেটকী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ওফিসলশিংনা ভাইয়লেটর অদুগী মথক্তা কনসর্ন কোর্টতা ৱাকৎকদবনি। অসুম্মাইনা ৱাকৎলক্লবসু কোর্টনা মহাক্কী মথক্তা ৱায়েলগী থবকশিং পায়খৎত্রিঙৈদা মীওই অদুদা য়াম্লবদা থা অমগী মতম পীদুনা নোটিস ইস্যু তৌবা চৎনদুনা লাকই। নোটিস অসিগী মতুংদগী কোর্টনা চথুরকপা ৱায়েলগী মতুং-ইন্না মঙোন্দা পীরকপা চৈরাক্তা শেলগী ফাইন থীহনবা য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদ্রবা হায়বদুদি কোর্টকী ওর্দরগী মখা পোনগদবনি। অদুম ওইনমক অহানবা খোঙথাংদদি ভাইয়লেটর অদুনা অথিংবা থুগায়বগী ওফেন্স অদু অমুক হন্না তৌররোই হায়বগী বোন্দ অমা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমনা লৌবা য়াহল্লিবা অসিনি হায়রি।

জুদিসল ওফিসরশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, সী আর পি সীগী সেক্সন ১০৭/১০৯ শীজিন্নরিবসিনা লোকদাউন/কর্ফিয়ুগী ভাইয়লেটরশিংগীনি। মসিদা ভাইয়লেটরশিং অদু গাড়ীগা কোন্নরকপা য়াওরকপদনা ট্রাফিক রেগ্যুলেসন রুলসকী চানবা সেক্সন অমগী মখাদা ফারগা ফাইন থীহনবনি।

অদুবু হায়রিবা থবক অসিসু জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমগী মীৎয়েং মখাদা তৌগদবনি। মসিগীদমক ট্রাফিক রেগ্যুলেসন রুলসকা মরী লৈনবা ওফেন্সশিংগী স্পেসল দ্রাইভ নৎত্রগা লোক অদালটনচিংবা পাঙথোকপদা জুদিসল মেজিষ্ট্রেটশিং তঙাইফদনা য়াওরিবনি হায়রি। হায়রিবা থবকশিং অসি নন- এফ আই আর (কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎতবা) ঙাক্তা ওইগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ভাইয়লেটরশিংগী মথক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎপা য়াহল্লবসু এক্ট অসিগী অকক্পবা সেক্সন অমনদি ভাইয়লেটরশিংগী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপদদি অয়াবা পীদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মীয়ামগী ৱাহংশিং অসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং অসি ফংলবা মতুংদা পাউচে অসিনা এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্ট কে মেঘচন্দ্রদসু চপ মান্নবা ৱাহংশিং অসি হংখিবদা মহাক্না হায়, লোকদাউন/কর্ফিয়ু থুগায়বা ভাইয়লেটরশিংগী মথক্তা বোন্দ ফর্নিশ তৌনবদা সিউরিটি য়াওবসু লৈ, য়াওদবসু লৈ। লোকদাউন/কর্ফিয়ুগী পাস (অয়াবা) য়াওদনা থোরকপা খূদিংমক ভাইয়লেটরগী ওফেন্স কন্মিট তৌরবনি হায়দুনা লৌগনি। ভাইয়লেট তৌরকপদা গাড়ী লোয়নরক্লবদি ওফেন্স অসিগীদমক ট্রাফিক রুলস-৫ (টি আর-৫)গী রিসিপ্ট কত্তুনা ফাইন লৌই। থবকশিং অসিগী রিপোর্ট মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা কোর্টতা খূদক্কী নৎত্রবসু থা-থাগী ওইনসু সবমিট তৌই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা লোকদাউন/কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং মায় পাকহন্নবা থবকশিং পাঙথোক্লবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)দগী ইন্সট্রক্সনশিং পীরকই। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট এস পি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা পাৱরশিং পীরকপা লৈ। অতৈ মরী লৈনবা ওথোরিটিগী ওফিসলশিংদসু পীরকই হায়রি।

লোকদাউন/কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা নৎতনা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংসিগা মরী লৈনবা থবকশিংদা লোগী প্রোভিজনশিং কুপ্না য়েংলগা চেকশিন্না পাঙথোক্লি। হন্দক এয়রপোর্টতগী ক্বা মনা ফাখিবা থৌদোক্কীসু লোগী প্রোভিজন মতুং ইন্না মহাক মশানা কমপ্লেনেন্ট ওইখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। মহাক্কী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতদি গাড়ী য়াওরকপা ভাইয়লেটরশিংদগী য়াম্লবদা ফাইনগী শেনফম লুপা ৫০/১০০দগী হেন্না লৌদে হায়বসু ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লোকদাউন/কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈবা মতমদদি মসিগী পাস য়াওদবা মীয়ামদি য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকপীরক্কনু হায়বা আপিলসু পাউচে অসিগী খূথাংদা মীয়ামদা তৌরকখি।

অদুম ওইনমক সিনিয়র এদভোকেট য়াওনা লো-প্রাক্টিস্নর খরনা ফোঙদোরকখিবদদি ট্রাফিক রুলসকী মখাদা ফাইন লৌবা য়াহল্লবসু ভাইয়লেটরশিংগী মথক্তদি নন-এফ আই আর খক্তমক লৌগদবনি। থৌওংসিদা অরানবা য়াওরম্লগদি লোগী মতেং লৌনবা য়াওরক্কদবা মাল্লি হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ২ খরা হেল্লকপদা ক্বাকৈথেলগী ট্রাফিক পোইন্ট ময়াদা লৈরম্বা পুলিস পর্সনেলশিংগী মনুংদগী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর অমনা কার অমদা ময়ূমদা হল্লকখিবা এস সী ঈ আর টিগী ষ্টাফ অমা কর্ফিয়ু পাস য়াওনা য়াওনা ফারগা লুপা লিশিং অমদগী হেন্না টি আর কত্তুনা ফাইন লৌননবা হোৎনরকখি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক পাস পুথোক্তুনা কন্না ঙাঙনবদগী টিম অদুদা য়াওরমখিবা পুলিস ইন্সপেক্টর অমনা ফাইন লৌহৌদনা থাদোরকখি হায়রি।

रा.इ.सू.प्री.सं
NIELIT

NIELIT Imphal
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MeitY), Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur

ONLINE ADMISSION NOTICE FOR ONLINE CLASS

STUDENTS ARE SUFFERING A LOT DUE TO THE PREVAILING CORONA VIRUS PENDAMIC. IN THE INTEREST OF THE STUDENTS AND GENERAL PUBLIC, NIELIT IMPHAL IS OPENING A SPECIAL ONLINE CLASS FOR CCC COURSE AT A VERY SUBSIDISED COURSE FEE. THE ADMISSION WILL BE DONE ONLINE AND CLASSES WILL BE CONDUCTED PURELY ON ONLINE BASIS AS BELOW:

COURSE NAME	:	NIELIT CCC COURSE
DURATION	:	80 HRS
CLASS TIMINGS	:	7:00 A.M. TO 9:00 A.M. & 1:00 PM TO 3:00 P.M
DATE OF THE CLASS STARTING	:	11TH MAY 2020
ADMSSION FEE (Inclusive of Rs 590/- of exam fee)	:	1) Rs 1000/- for Gen/OBC students. 2) Rs 700/- (Rs 110/- as possessing fee + Rs 590/- as exam fee) for SC and ST students. However, a sum of Rs 590/- will be reimbursed after passing the examination.
QUALIFICATION AND ESSENTIALS	:	KNOWLEDGE OF ENGLISH, POSSESSING A PC/LAPTOP/SMART PHONE WITH INTERNET CONNECTION.
NATURE OF EXAM	:	ONLINE (ALL INDIA RECOGNISED)
ACCOUNTS DETAILS FOR PAYMENT OF COURSE FEE ACCOUNT	:	UBI, SINGJAMEI BRANCH, ACCOUNT NO. 0651010372503, IFSC CODE NO. UTBI0SGJG08 or, SBI, MU CAMPUS (IMPHAL), NO. 10678276043, IFSC CODE NO. SBIN0005320

Interested candidate may apply **online through http://14.139.207.251:8080 or www.nielit.gov.in/imphal/Content/admission-new. For details contact Mobile No. 70058 10055 of Smt. Gangmei Gailunglu.**
To download CCC certificate - Visit: http://student.nielit.gov.in.

Sd/-
(Th. Prameshwor Singh)
Executive Director

HL-P/6169/04